





কুমজা ২০১৮দা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড রেস্টলিং চেম্পিয়নশিপকী কিলোগ্রাম ৫৭কী কেটেগোরিদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রবী চহী ২৭ শুরবী হৌজিক-হৌজিক লক্ষ্মৌগী স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াদা ট্রেনিং চথরম্বদগী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবী পুজা ধনদা

টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমদা নম্বর টু গোলকিপ্পর ওইনা শরুক য়ারম্বদগী হন্দক অর্জেন্টিনাগা শান্নবা মেটচশিংদা ফজবা ঙমখ্রবা নহা ওইরিবা গোলকিপ্পর কৃষন পাথক

## চেন্নাই সুপর কিংসনা পঞ্জাব কিংসপু আই পি এলগী ৮শুবা মেটচতা ৱিকেট ৬তা থোইবা ঙমখ্রে



মুম্বাই, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সী):
মুম্বাইগী ৱাংখেদি ষ্টেদিয়মদা ঙসি চেন্নাই সুপর কিংস অমসুং পঞ্জাব কিংস লম্বা তৌনবদা চেন্নাই সুপর কিংসনা ৱিকেট ৬তা ৮শুবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগকী মেটচ অদু থোইবা ঙমখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস চেন্নাই সুপর কিংসনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। পঞ্জাব কিংসকী মায়কৈদগী ইন্নিংস অদু শান্নরকপদা হৌরকপদা ফীভম য়াম্না শোকখি। ওপনর ময়াঙ্ক অগরৱাল শুপ্নগী বোল ২খক মায়োক্নরম্লগা আউট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ চঙলকখিবা খৃস গেল অমসুং ওপনর রাহুলনা ইন্নিংস মখা চত্থরকপা অদু রন ১৫ খক শুরকপদা রাহুল মশাগী রন ৫দা রন আউট তাখি।

রন ১৯ শুরকপদা খৃস গেল বোল ১০দা রন ১০ লৌরম্লগা আউট ওইখি। মহাক আউট ওইখিবা মতুং ওভর অদুমক্তদা নৌনা চঙলকপা পুরানবু সী এস কেগী বোলর দিপক চাহরনা মহাক্কী ৪শুবা ৱিকেট ওইনা আউট তাহনখি। পুরান আউট ওইবা মতমদা পঞ্জাবকী রন ১৯খক লৈখি। ৪শুবা বেটসমেন দিপক হুদা রন ১০দা আউট ওইখি। ৬শুবা বেটসমেন শাহরুক খান অমদি জে রিচার্দসননা পাঞ্জাবকী স্কোর অদু ৫০ লাম্থোকহল্লকখি। রিচার্দসন রন ১৫ শুরকপদা আউট ওইখি। শাহরুক খাননা ১৯শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরম্লগা রন ৪৭তা আউট ওইখি। ইন্নিংস লোইশিল্লকপদা রন ১০৬ খক লৌবা ঙমখি।

মায় পাক্নবা চেন্নাই সুপর কিংসনা রন ১০৭ লৌগদবা অদু ওভর ১৬ শুরকপগী ৪শুবা বোলদা বেটসমেন ৪খক আউট ওইরগা য়ৌদুনা মেটচ অদু মখোয়না ৱিকেট ৬তা থোইখি।

চেন্নাই সুপর কিংসকী মায়কৈদগী ওপনর ফাব দু প্লেসিস আউট ওইদনা বোল ৩৩দা সিক্স ১গা ফোর ৩ য়ৈদুনা রন ৩৬ লৌদুনা লৈখি। অহুমশুবা বেটসমেন মোইন অলিনা বোল ৩১দা সিক্স ১গা ফোর ৭ য়ৈদুনা রন ৪৬ লৌখি। ইন্নিংস অদুগী ১৬শুবা ওভরদা সামকুরন অমসুং ফাব দু প্লেসিসনা মথংশিংনা রন ৩৬ অমসুং ৫ লৌরগা রন ১০৭ য়ৌহন্দুনা মেটচ অদু মখোয়না ৱিকেট ৬তা থোইবা ঙমখি।

হয়েং লীগ অসিগী ৯শুবা মেটচতা মুম্বাই ইন্দিয়ন্স অমসুং সনরাইজর্স হায়দরবাদ শান্নগনি।

## জোকোবিচ মায়থীখ্রবা মতুং রফেল নদালসু রসিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেভকী মখূৎতা ক্বার্টর ফাইনেলদা লৈহৌরে

পেরিস, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সী):
নুপাগী টেন্নিসগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নোভাক জোকোবিচ মায়থীখ্রবা মতুং ঙসি শান্নবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইনা শরুক য়ারিবা স্পেনগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় রফেল নদাল রসিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেভকী মখূৎতা মায়থীখ্রে।



ঙসি শান্নখিবা মোন্টি কার্লো মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইনা শরুক য়ারিবা নদাল অমসুং রসিয়াগী ৬শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবা এন্দ্রি রুব্লেভকী অহানবা সেট অদু রুব্লেভনা ফজবা হেন্দুনা নদালগী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌখিবগা লোয়ননা ৬-২দা সেট অদু থোইখি। অনীশুবা সেটতা নদালগী মায়কৈদগী কন্না হোৎনরক্তুনা রুব্লেভপু শোট খুদিংগী লম্বা তৌখি। মহাক্না রুব্লেভকী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌবা ঙমদুনা ৬-৪দা থোইরগা সেট অমমম্ মান্নদুনা লৈখি।

অহুমশুবা দিসাইদিং সেট অদুদা নদালগী সর্ভিস গেম রুব্লেভনা ঙন্না ব্রেক তৌবা ঙমখি। মদুগী খূদোংচাবা অদু মখা তানা লৌবা ঙমদুনা সেট অদু ৬-২দা থোইরগা সেমীফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৫শুবা সিদেদ ইটালিগী ফাবিও ফোগনিনিবু ৬-৪, ৬-৩দা থোইরম্বা নোরৱেগী কেস্পর রুটকা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা গ্রেট বৃটেনগী দান ইভান্স অমসুং টুর্নামেন্ট অসিগী ১১শুবা সিদেদ বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিনগা লম্বা তৌনখি। অহানবা সেট অদু য়াম্না মান্নবা লৈরম্বদগী দেবিদ গোফিননা ৭-৫দা থোইখি।

অনীশুবা সেট অদুদা দান ইভান্সকী মায়কৈদগী লাকশিল্লক্তুনা ৬-৩দা থোইরগা অহুমশুবা সেটতা য়াম্না অকনবা মওংদা গেম ৮ ফাওবা নাকল অনীমক গেম ৪-৪ মায় পাক্লখি। অদুবু মখা তারকপা থংনবা গেম অনী গ্রেট বৃটেনগী দান ইভান্সনা থোইবা ঙমদুনা ৬-৪দা সেট অদু লোইশিনখিবদগী মহাক সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না লম্বা তৌগদৌরিবা শান্নরোয় অদু গ্রিসকী শান্নরোয় টুর্নামেন্ট অসিদা ৪শুবা সিদেদ ওইরিবা ষ্টিফানোস সিসিপাসনি। মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু সেট ১ মাঙজিল থারিঙৈদা লম্বা ওইখিবা স্পেনগী ফোকিনা রিটাইয়র্দ তৌখিবনি।

## এল এম এল সী সী লাংমৈদোংনা ঈ এস সী ককচীংবু পাঞ্জল ৫-২দা য়াম্না খূদুম চন্না মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে




ককচীং, এপ্রিল ১৬ (ঐচ এন এস):
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংনা শীন্দুনা এসোসিএসন অসিগী শান্নবুংদা ঙসিদগী হৌখিবা অনীশুবা এস ঐচ রাকেশ সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২১গী অহানবা মেটচতা এল এম এল সী সী লাংমৈদোংনা ঈ এস সী ককচীংবু ৫-২দা থোইবা ঙমখ্রে।

মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু এল এম সী সীগী জর্সি নম্বর ১৯ অভিনাশনা ১৯শুবা মিনটতা চনখি। মহাক্না মখা তানা মিনট ৬ লৈরগা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা এল এম এল সী সীগী অতোপ্পা শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১২ এ উমাকান্তনা ৪৭শুবা মিনটতা টিমগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদুসু চনবা ঙমখি। ঈ এস সী ককচীংগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ৭ টি ঐচ বেঞ্জামিননা ৬৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল ১ চনখি। মখা তারকপা টিম অদুগী ৱাই নরেশনা ৮০শুবা মিনটতা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মেটচকী ৮৯ অমসুং ৯০শুবা মিনটতা এল এম এল সী সীগী প্রিয়োকুমার অমসুং শ্যামসুন্দরনা পাঞ্জল অমমম্ হাপচিনখি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 82**

**Anand, Viswanathan (2786) - Naiditsch,A (2654)**
**Sparkassen GM Dortmund GER (4), 2007.06.27**

1.e4 e5 2.Nf3 Nc6 3.Bb5 a6 4.Ba4 Nf6 5.O-O Bc5 6.c3 b5 7.Bb3 d6 8.d4 Bb6 9.a4 Bg4 10.h3 Bh5 11.axb5 axb5 12.Rxa8 Qxa8 13.d5 Na5 14.Bc2 c6 15.dxc6 Qxc6 16.Re1 h6 17.Qe2 O-O 18.Na3 Nc4 19.Nxc4 bxc4 20.g4 Bg6 21.Nh4 d5 22.exd5 Nxd5 23.Be4 Qc5 24.Bxd5 Qxd5 25.Qxe5 Qxe5 26.Rxe5 Bd3 27.Nf5 Ra8 28.Kg2 Ra5 29.Re8+ Kh7 30.Nd6 f6 31.Be3 Ra6 32.Nb5 Bxe3 33.Rxe3 Rb6 34.Nd4 Rxb2 35.Re7 h5 36.Ne6 hxg4 37.Rxg7+ Kh6 38.hxg4 Re2 39.Re7 Be4+ 40.Kg3 Rc2 41.Nf8 Bd3 42.f4 Rc1 43.Rf7 Rg1+ 44.Kh3 Rh1+ 45.Kg2 Be4+ 46.Kf2 Rh3 47.Ne6 Rf3+ 48.Ke2 Kg6 49.Rg7+ Kh6 50.f5 Rxc3 51.Rg6+ Kh7 52.Rxf6 Bf3+ 53.Kf2 Bxg4...

**QUESTION :**
**White wins in 3 moves**

**Puzzle 81 Ans. :**
**29.** Na5 Kg7Mating net **30.** Bxd5 e5Mating net **31.**Nxc4 h6#
**29.** ...Kg7

## ইন্দিয়াগী বোক্সর অরুনধাটি চৌধরি য়ুঠ ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

কিলচে, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সী):
পোলেন্দগী সিটি কিলচেদা পাঙথোকপা এ আই বি এ য়ুঠ মেন্স এন্দ ৱিমেন্স ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর অরুনধাটি চৌধরিনা কিলোগ্রাম ৬৯গী কেটগোরিদা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

মমাংদা এড্রিয়াটিক পর্ল বোক্সিং টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর ৫না গোল্ড মেদল ফংখিবা অদুদসু অরুনধাটি য়াওখি। মহাক্না ঙসি প্রি ক্বার্টর ফাইনেল বাউট অদুদা কলম্বীয়াগী বোক্সর দেয়া নৈরা কসাসপু য়াম্না হেনবা মওংদা ৫-০দা থোইবা ঙমখি।

অরুনধাটিনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপা অসিগা লোয়ননা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিগী



হুম্নি শুবা নুমীৎতা মমাংদা ভিনকানা কিলোগ্রাম ৬০ অমসুং পুনমনা কিলোগ্রাম ৫৭কী কেটগোরিদা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী অপূনবা নুপী বোক্সর ৩ ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লি।

ঙসিগী কম্পিটিসন অমদা নুপীগী কিলোগ্রাম ৪৮গী কাঙলূপকী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর গীটিকানা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন ওইরিবী রসিয়াগী বোক্সর দাইনা অর্মাকোভাবু ৫-০দা মায়থীবা পীখি।

নুপাগী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী সুমিটনা কিলোগ্রাম ৬৯গী কেটগোরিদা ভেনিজ্যুএলাগী বোক্সর রাফেল পর্দোমোবু য়াম্না হেন্দুনা রেফরি ষ্টোপ কন্টেষ্টতা প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। নুপাগী কিলোগ্রাম ৬০গী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী অকাশ গোর্খানা জর্মনিগী এনরিকো ক্লৈচপু ৫-০দা মায়থীবা পীখি। মরিশুবা নুমীৎতা নাওরেম বেবীরোজিসনাগী বাউট হৌগনি।

## য়ুক্রেনদা ওলিম্পিক অমসুং পেরালিম্পিক শরুক য়াগদবা এথলিটশিং ভেক্সিন কাপ্পা হৌখ্রে



কিয়েব, এপ্রিল ১৬ (এজেন্সী):
য়ুক্রেনগী হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না টোকিও ওলিম্পিক গেমস অমসুং পেরালিম্পিক গেমসতা শরুক য়াগদবা লৈবাক অদুগী এথলিটশিং চাইনাগী কম্পেনি সিনোভেক বাইওটেকনা পুথোকপা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন ওইরিবা কোরোনাভেক ভেক্সিন কাপ্পা হৌরে হায়রি।

হেল্থ মিনিষ্টর মেক্সিম ষ্টিপানোবনা ফোঙদোকখিবদা, য়ুক্রেনগী ফিরাল ওলিম্পিক পাঙথোকফমদা মায় পাক্তুনা চিংখৎপা অদু য়েংনিংই। লোয়ননা মেদল য়েন্থোকপা মতমদা য়ুক্রেনগী নেসনল এন্থেমগী মখোল অদুসু তানিংই। মরম অদুনা লৈবাক অদুগী অফবা এথলিট পূম্নমক অথিংবা লৈতনা কম্পিটিসন অদু শরুক য়ানবা মখোয়গী হকচাং অমসুং পাঙ্গল ঙাকথোক্নবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন অসি কাপ্পা হৌবনি হায়রি।

য়ুক্রেনগী নেসনল স্পোর্টস মেদিসিন সেন্টরগী লুচিংবা ভাইছেস্লাভ চের্নেনকোনা ফোঙদোকখিবদা, কোরোনাভেক অসিনা ভাইরস অসি শন্দোকপা থিংবা ঙমগনি হায়খি।